# ইন্দিয়াগী টিমনা নেপালবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা এস এ এফ এফ য়ু-১৯ ৱিমেন্স ফাইনেল য়ৌখ্রে



ধাকা, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী):
বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা থা অসিগী ১১দগী চথরকপা অনীরকশুবা সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন য়ু-১৯ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নবা গ্রুপ মেটচতা ইন্দিয়ানা নেপালবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ মেটচকী অরোইবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনখিবা অদু মণিপুরদগী হৌখিবী নাওরেম প্রিয়াঙ্কানি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদুদা ইন্দিয়া অমসুং নেপালনা লম্বা য়াম্মা মান্ননা শান্নরকপদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে।

নীংশিংবা য়াবদি, টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা থা অসিগী ১৩দা শান্নখিবা গ্রুপকী অহানবা মেটচ অদুমখোয়না শ্রিলঙ্কাবু পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীখি। মদুগী মখা তারকপা অনীশুবা মেটচ ওইনা দিসেম্বর ১৫দা ভুটানগা শান্নবদা পাঞ্জল ৩-০দা থোইবা ঙমখি। অদুবু দিসেম্বর ১৭তা শান্নখিবা গ্রুপকী অহুমশুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা অকনবা মওংদা লম্বা তৌরবসু য়ূম্বু বাংলাদেশকী মখূৎতা শুপ্পগী পাঞ্জল ১দা মায়থীবা নংখ্রবা মতুং ঙরাংগী মেটচ অদু ইনি দয়ানা নেপালবু থোইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবী নাওরেম প্রিয়াঙ্কানা শ্রিলঙ্কাগা শান্নবা মেটচ অদুদা পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। অদুগা ভুটানগী মায়োক্তা মায় পাকখিবা মেটচ অদুদা পাঞ্জল ২ চল্লবা মতুং ঙরাং নেপালগা শান্নবা য়াম্মা মরুওইবা মেটচ অদুদসু পাঞ্জল ১ চন্দুনা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী পাঞ্জল য়াম্না চনবা ঙন্বী শান্নরোয় অদু ওইরি।

টুর্নামেন্ট অসি সাউথ এসিয়াগী ওইবা লৈবাক ৫না লম্বা তৌনদুনা শান্নবা অনীরকশুবা এদিসন ওইদুনা ধাকাগী বির শ্রেস্থা সহিদ সিপাহি মোষ্টাফা কমল ষ্টেদিয়মদা শান্নবনি।

ইন্দিয়া অমসুং নেপালনা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল লৈখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী ময়াই চনশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী টিম অদুদা শরুক য়ারিবী নাওরেম প্রিয়াঙ্কানা শান্নবগী ৬৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চল্লগা নেপালবু মাংজিল থাবা ঙমখিবনি। মেটচকী মখা তারকপদা নেপালগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখিবা এটেক অয়াম্বা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নবদগী পাঞ্জল চলহন্দবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী টিম অসি মণিপুরদগী হৌখিবা হেমাম সিঙ্কিনা কেপ্টেন ওইরিবনি। মহাক মশামক ইন্দিয়াগী নেসনল টিমদা শরুক য়াবগী তাঞ্জা লৈরিবনি। মখা তানা ইন্দিয়াগী টিম অসিদা শরুক য়ারিবা মণিপুরদগী হৌখিবী শান্নরোয়শিং অদুদি লিন্দা কোম, ফাঞ্জৌবম নির্মালা অমদি থৌনাওজম ক্রিতিনানি।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী লোইশিল্লকপা ফাওবদা নেপাল পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদবদগী ইন্দিয়ানা ১-০দা থোইরগা থা অসিগী ২২দা য়ূম্বু বাংলাদেশকা ফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরিবনি। বাংলাদেশনা মেটচ ৪ শান্নবদা ৩ মায় পাক্লগা ১ দ্রোচৎখি। অদুগা ইন্দিয়ানা ৪ শান্নবদা ৩ মায় পাক্লগা ১ মায়থীখিবনি।

# মণিপুরনা মখা তানা ২৭শুবা নেসনল থাঙ-তাদা গোল্ড ৩১, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ ফংদুনা মকোক থোংলি



জম্মু, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী):
জম্মু অমসুং কাশ্মীরনা য়ূম্বু ওইরগা জম্মু সিটিগী ইন্দোর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১৮দগী হৌখিবা ২৭শুবা নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২১-২২গী ঙসি পাঙথোকখিবা জুনিয়র বোইজ অমসুং জুনিয়র গর্লসকী তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা গোল্ড মেদল ৩১, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ ফংদুনা মকোক থোংলি।

জুনিয়র বোইজকী ফুনবা অমা ইভেন্টতা লৈখিবা তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিশিংদা মণিপুরগী মায়কৈদগী গোল্ড ফংখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি এল আশামণি (কেজি ৪৪), কে য়াইফবা (কেজি ৪৮), এস ঐচ রোসলেন (কেজি ৫২), এল ওনি (কেজি ৫৬), পারি থোকচোম (কেজি ৬৫), পদম মোইরাংথেম (কেজি ৭০), কিয়াম তোম (কেজি ৭৫), এ লনচেনবা (কেজি ৮০) অমসুং এম বিদ্যাসাগর মৈতৈ (কেজি ৮০ মথক)নি।

জুনিয়র গর্লসকী ফুনবা অমদা মণিপুরগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংনা পূন্না গোল্ড ৯ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ ফংবা ঙমখি। গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অদুদি সী ঐচ আশারানী (কেজি ৪০), এল এনি (কেজি ৪৮), এ কেমি (কেজি ৫২), ঐচ এলিনা চনু (কেজি ৫৬), টি ঐচ পিয়াই চনু (কেজি ৬০), টি ঐচ প্রিয়াঙ্কা চনু (কেজি ৬৫), এল সেলি (কেজি ৭০), ইঙালসনা থাওরোইজম (কেজি ৭৫) অমসুং এন জি ইনা চনু (কেজি ৭৫ মথক)নি।

সব-জুনিয়র বোইজকী ফুনবা অনীশুবগী ওইনা ঙসি মণিপুরগী মায়কৈদগী গোল্ড মেদল ৫ ফংখি। মখোয়শিং অদুদি রিওনেল হিজম (কেজি ২৯), এস বিকাশ (কেজি ৩৭), থোকচোম থোমাস (কেজি ৪১), কে লোবিসন (কেজি ৫৩) অমসুং এন বিকাশ (কেজি ৫৩ মথক) নি।

সব-জুনিয়র গর্লসকী ফুনবা অমদা মণিপুরগী মায়কৈদগী গোল্ড মেদল ৮ ফংখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি এল কলপনা (কেজি ২৫), এল দাইনা (কেজি ২৯), অথোকপম মিঙ্কি (কেজি ৩৭), জ্যোটি সুনর (কেজি ৪১), কে নেহা (কেজি ৪৫), এস ঐচ প্রিয়া (কেজি ৪৯), এন চনচন কোম (কেজি ৫৩) অমসুং দব্লিয়ু হেম্ভোই (কেজি ৫৩ মথক)নি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী জম্মুদা লৈবা ইন্দোর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ২৭শুবা নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২১-২২দা ঙসি সিলভর মেদল ফংখিবা মণিপুরগী থাঙ-তা শান্নরোয়শিং অদুদি, জুনিয়র বোইজকী ফুনবা অমদা টি ঐচ বদনকুমার (কেজি ৬০), সব-জুনিয়র বোইজকী ফুনবা অনীশুবদা চনমথাবম রোবর্ট (কেজি ৩৩), এ প্রদিপ মৈতৈ (কেজি ৪৫) অমসুং সব-জুনিয়র গর্লসকী ফুনবা অমদা এন লমজিংবী চনু (কেজি ৩৩)নি।

লোয়নন্না ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি জুনিয়র গর্লসকী ফুনবা অমদা এ ধনাপতি (কেজি ৪০), জুনিয়র বোইজকী ফুনবা অনীশুবদা এন লোয়া মৈতৈ (কেজি ২৫) অমসুং এল ললহাবা মৈতৈ (কেজি ৪৯)নি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরনা চথরিবা নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেদল খ্বাইদগী য়ামদুনা মাংজিল থারি।

# এম সী এগী মীখল পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচএনএস):
মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী অনৌবা থৌ পুগদবা মেম্বরশিংগী ওইবা মীখল থা অসিগী ১৮দা পাঙথোকখ্রে।

মীখল অদু নুমীৎ অদুগী অয়ূক পুং ১০ তাবদগীনা নুংথিলগী পুং ২.৩০ ফাওবা মপান কাংজৈবুংদা লৈবা মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী ওফিসতা পাঙথোকখি। মীখল অদুগী ওইনা টি ধিরেননা রিটর্নিং ওফিসর ওইদুনা কুমজা ২০২১দগীনা ২০২৪ ফাওবা থৌ পুগদবা অনৌবা মেম্বরশিংগী মমিং লাউথোকখি।

নৌনা থৌ পুগদৌরবশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা টি ঐচ নবচন্দ্র (ইম্ফাল ইষ্ট), ভাইস প্রসিদেন্টতা এ বি মীতৈ (ইম্ফাল ৱেষ্ট), পি রাজেন্দ্রো (ইম্ফাল ইষ্ট), এ বিরেন (জিরিবাম) অমসুং আর কে ভৈগ্যচন্দ্র (বিষ্ণুপুর) নি। সেক্রেটরিদা এস ধনাচন্দ্র (ইম্ফাল ৱেষ্ট), ট্রেজররদা জি এ রোশন (ইম্ফাল ইষ্ট), লোয়ননা জোইন্ট সেক্রেটরিদা খনখিবা ওফিসল ৪ অদুদি নেলসন চিথুং (সেনাপটি), পাওমিনলাল (কাংপোকপী), পাসৈ বেহেনসিং (চান্দেল) অমসুং দাই পামৈ (তমেংলোং)নি।

খল্লবা মেম্বর ১১ অসিনা মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী ওইবা থবক থৌরমশিং অদু লাউথোকখিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ১৮দগী হৌরগা কুমজা ২০২৪ ফাওবা থৌ পুগদৌরি।

# এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপকী মেটচ খূদিংমক শিবা-চঙবা মেটচ ঙাক্তনি : দাংমৈ গ্রেস



কোচি, দিসেম্বর ২০ (এজেন্সী):
মথং থাগী ২০দগী ফেব্রুৱারী ৬ ফাওবা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি মুম্বাই অমসুং পুনেদা লৈবাক অসিনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়াগী নুপীগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শান্নগদৌরিবা মেটচ খূদিংমক শিবা-চঙবা মেটচ ঙাক্তা ওইগনি হায়না ইন্দিয়াগী টিম অসিগী ফোরৱার্দ শান্নরোয় অমা ওইরিবী মণিপুর মচা দাংমৈ গ্রেসনা ফোঙদোরকখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা গ্রুপ এদা চাইনা, চাইনিজ টাইপৈ অমসুং ইরানগা লম্বা তৌনগদৌরি। চাইনাগী টিম অসিনা গ্রুপ অদুগী ওইনা ফিফাগী রেঙ্কিংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ওইনা ১৯শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। মদুগী মতুংদা চাইনিজ টাইপৈনা ৩৯শুবা পোজিসনদা লৈরগা ইন্দিয়ানা ৫৫শুবা পোজিসনদা অদুগা ইরাননা ৭০শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা গ্রুপ অহুমদগী মকোক থোংবা টিম ২/২ ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। অদুগা গ্রুপ ৩ অদুগী মনুংদা অহুমশুবা পোজিসন তাবা খ্বাইদগী ফজবা টিম অনীসু খনগৎলগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদগী খ্বাইদগী ফজবা টিম ৫না কুমজা ২০২৩দা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা পূন্না য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

ফীভমশিং অসি লৈবদগী ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদা মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইনা থৌদাং লৌরিবী দাংমৈ গ্রেসনা ফোঙদোরকপদা টিম অসিনা শান্নগদবা মেটচ খূদিংমক মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ ঙাক্তা ওইবনা য়াম্না চেকশিন্না হোৎনগনি হায়রি।

# এম য়ুগী নুপীগী হোক্কী টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস):
মথং চহীগী জন্যুৱারী ৫দগী ৯ ফাওবা ছটিশগরগী বিলাসপুরদা লৈবা এ বি বাজপায়ী য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি হোক্কী (ৱিমেন) চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা পি খৃষ্টিনা, দিফেন্দরদা সী ঐচ দেবিকা, দব্লিয়ু তনুজা, এল মালেমঙানবী, এল পুস্পা অমসুং আই রোনিবালানি। মিদফিল্ডর ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি এম বাস্কো, কে ঐচ প্রিয়াঙ্কা, দব্লিয়ু শিন্থোইবী অমসুং এল গিতাঞ্জলিনি। লোয়ননা ফোরৱার্দতা শান্নগদৌরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী শান্নরোয় ৫ অদুদি টি ঐচ খুশি, আর কে লাকসনা, এস লনচেনবী, মৈতৈলৈমা চনু অমসুং লাইনৈহিং হনশিংনি। অদুগা রিজর্ভ ওইনা দিফেন্দরদা কে রোজি, মিদফিল্ডদা টি ঐচ প্রক্রিতি অমসুং য়ুম্নাম গ্রেস লোয়ননা ফোরৱার্দতা জেসিনি সনধামনি। মখোয় পূম্নমক থা অসিগী ২২দা রিপোর্ট তৌগদবনি।

# ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপকী নুপীগী কাঙলূপ্তা এল ৱাই য়ু সীনা এ কে ৱাই ও থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচএনএস):
মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৬৮শুবা ষ্টেট সিনিয়র মেন এন্দ ৱিমেন কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী কাঙলূপ্তা এল ৱাই য়ু সীনা চেম্পিয়ন ওইরগা এ কে ৱাই ওনা রন্নর্স অপ তাখ্রে।

নুপীগী অহানবা মেটচতা এ কে ৱাই ওনা এম য়ু সীবু পোইন্ট ৪৫-২১দা থোইখি। অনীশুবা মেটচতা এল ৱাই য়ু সীনা এম য়ু সীবু পোইন্ট ৫৯-১৭তা থোইরবা মতুং অহুমশুবা মেটচতা এল ৱাই য়ু সীনা এ কে ৱাই ওবু পোইন্ট ৬০-৩২দা থোইবা ঙমখিবদগী নুপীগী টাইটল অদু এল ৱাই য়ু সীনা লৌখিবনি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ঙসি এম পি এস সীনা দব্লিয়ু এস দব্লিয়ু সীবু মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবদগী হয়েং শান্নগদবা সেমীফাইনেলদা এম পি এস সীনা এল ৱাই য়ু সী (এ)গা থেংনগনি। অদুগা অতোপ্পা সেমীফাইনেলদনা এল ৱাই য়ু সী (বি)গা দব্লিয়ু এস দব্লিয়ু সীগা শান্নরগনি।

# এফ সী য়াইসানা টাইটল লৌখ্রে



কক্চীং, দিসেম্বর ২০ (ঐচএনএস):
মৈপৌ সোক্কর য়ুঠ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন লাইচীং মৈপৌনা শীন্দুনা লাইচীং মৈপৌ শান্নবুংদা মমাং থাগী ২৯দগী চথরকখিবা ১৯শুবা ৭ এ-সাইদ মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২১গী টাইটল অদু এফ সী য়াইসানা ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদুদা পূন্না টিম ৪৪না শরুক য়াদুনা পাঙথোরকপদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এফ সী য়াইসানা দমজোল এফ সীবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

মেটচ অদুগী অপীবা মতমদা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নদবদগী কাঙলোনগী মতুংইন্না পেনাল্টি কাওনবদা এফ সী য়াইসাগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১৯ সঞ্জিব কুমার অমসুং জর্সি নম্বর ৮ রাজুনা পাঞ্জল চল্লগা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল অদু মখোয়না দমজোল এফ সীবু ২-০দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। টুর্নামেন্ট অদুগী লোইশিনবগী থৌরমদা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অমদি অতোপ্পা মরুওইবা মীওই কয়া য়াওখি।

# ৱাই দব্লিয়ু সীনা এম পি এস সীবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস):
অম্ফাগী মীৎয়েং মখাদা লল্লোং থোংখোঙদা লৈবা টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১২শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা ৱাই দব্লিয়ু সীনা এম পি এস সীবু পাঞ্জল ২-০দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়ন ৱিমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবনি। ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা ৱাই দব্লিয়ু সী অমদি এম পি এস সীগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী য়াম্না মান্নবা মওংদা শান্নরকপদগী নাকল অনীনা পুশিন্নখিবা এটেকশিং অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্নদনা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা স্কোর বোর্দতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা ৱাই দব্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী চথরকখিবা য়াম্না ফজবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১২ রেমি থোকচোমনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা এম পি এস সীবু ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। মেটচকী মখা চথরকপা এম পি এস সীগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী মথক্তা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইদুনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৬২শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ মাংজিল থাদুনা লৈরবা ৱাই দব্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ এল মেনেকোনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনশিল্লগা এম পি এস সীগী টিমবু মখোয়না মখা তানা মাংজিল থারগা লৈখি।

মেটচকী মখা চথরকপা লেমহৌরিবা পুংখায় ফাদ্রবা মতম অদুদা পাঞ্জল ২ শোথখিবা এম পি এস সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী অৱৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনখিবশিং অদু এস দব্লিয়ু সীনা ঙাকথোকখিবদগী মায়থীখি।

# মীট জোন এফ সীনা টি ৱাই সী থোইরগা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস):
শীংজমৈ ৱাংমা ভৈগ্যবতি লৈকাইদা লৈবা দি য়ুনাইটেদ য়ুঠ ওর্গনাইজেসনগী গোল্ডন জুবিলিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা অনীশুবা দে এন্দ নাইট ওপন ৪ এ-সাইদ লেট থোকচোম অনৌবী দেবী মেমোরিয়ল সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২১গী টাইটল অদু মীট জোন এফ সীনা টি ৱাই সীবু মায়থীবা পীরগা লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি য়ুনাইটেদ য়ুঠ ওর্গনাইজেসনগী শান্নবুংদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা টিম অনীমক য়াম্না লেংমান্ননা মায়োক্লবা হৌখ্রবসু অহানবা হাফ অদুগী লোইরমদাই শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা মীট জোন এফ সীগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১১ রুপানা পাঞ্জল ১ চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ অদুদা টি ৱাই সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মীট জোননা চেম্পিয়ন ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা পীখিবা তোঙান-তোঙানবা মনাশিংগী মনুংদা বেষ্ট প্লেয়র অদু সিম বেন এফ সীগী রোমারিওনা ফংখি। বেষ্ট দিফেন্দরনা টি ৱাই সীগী জেমসনা ফংখি। অদুগা তোপ স্কোররনা মীট জোনগী রুপচন্দ্রনা ফংখি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২১।১২।২০২১ ইং, লৈবাকপোকপা;
নুংথিল পুং ২.৫৪ ফাওবা পোইনুগী ১৭ নি পাল্লি, মতুং ১৮নি পাল্লনি।

**মেষ :** পল্লম্বা থবক পাঙবা অমদি শেল-থুম ফংবা য়াবা নুমীৎনি। অঙম্বগা মুক্লবা অমদি ৱাফংনবনা মাঙজবা লৈরসু অচুম্বা চৎপনা মায় পাক্কনি, মরুপকী মতেং ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**বৃষ :** নাইতোম থৌ পাঙববুদি মীয়াম লোয়নরগা পাঙবনা শরুক চাম্মা হেন্না কান্নবা ওইগনি। কিবা পোকপা লৈরসু হকচাংদি নুংঙাইবা হেনগনি। হুদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিথুন :** নীংবা থুংগনি, অনৌবা থৌরম পাঙবা য়ারগনি অমদি খরা ৱারসু মীগা লোয়নবা থবক থৌরম মায় পাক্না পাঙগনি। নোল্লুক্লা চৎপনা পামদবা নংলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট :** অরং-অরাক ফংবৈ নুংঙাইজবা অমদি নক্লবা মীশিংগী মতেং লৌবসু য়াবা নুমীৎনি। নীংথিনা তুংগী পোরম য়াৎপা অশিংবা ওইগনি। ঙাংবা শকপা পকচগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**সিংহ :** মীচং খোম্বা কান্নগনি, শেন্দোং তানবদা চাওনা মায় পাক্কনি, নচা-ননাই চাওখৎপগী নুংঙাইবসু লৈগনি। য়েৎনরম্বা পূম্বা কোকচগনি। কল্লকপদি লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা :** মরুপ-মপাংগা মরী ফবা ৱাৎকনি-নোল্লুক্লা চৎলু। ললোন ইতিক্তদি মাংথানা কান্নগনি। ৱানোম্বা, লেংদবা লন তানশিনবা, মীয়ামগী মতেং লৌবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা :** অশাওবতা ফাথৌ অমদি চরাংনবা লোয়ননা হোয়া ফবা তৌগনু। পল্লম্বা শেল-থুম ফংনবা হোৎনবা য়াবা অমদি মীকোক থোংনবা হোৎনবদি মায় পাক্লনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পূক্নিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক :** খোইরাংবা অমদি য়েক্লবনা তাথিবা লৈ-ফিংগনু। চীন য়াঙবসু ঙসিসু নরল ময়েং তাগনি। অখঙ-অহৈ তানৌ। মরুপ অমদি অফবা লৈফমদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**ধনু :** নীংবা থুংজবা, মীচং ৱাৎতবা অমদি পাউ নুংঙাইবা তাজবা ঙসিসু লৈগনি। তিন্নবনদি থাজদনা পূক্নিং ৱাহনবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**মকর :** মীচং ৱাৎলোই অমদি অনৌবা থৌরমদা পূক্নিং লুপকনি। নচা-ননাই অমদি পল্লম্বা থবক্কী লম্দা পূক্নিং পেঞ্জগনি। অনম তানবদি কায়নগনি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কুম্ভ :** মতম মাঙগনি-হোয়া ফগনু অমদি খূৎ চাওগনু। অরং-অরাক অমদি ফমথোল ফংবগুম মীনা থাগৎপীবদি লৈ। ঙাং-শকপা/শিন লাংবা হৈবনা লন ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মিন :** ইমুং-মনুং অমদি মরুপকী মতেংনা পাঙঙমদবা থবক পাঙবৈ নুংঙাইজগনি। চাদিং হন্থবা ঙমগনি, অফা-অপুন কোকচগনি। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী- পংশিন্নবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# ১১ ষ্টারনা ঐচ ৱাই সীবু থোইখ্রে


ইম্ফাল, দিসেম্বর ২০ (ঐচ এন এস):
ববিনা হেল্ঠ ক্যের এন্দ হোস্পিটেলিটি প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌরগা অম্ফাগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা ২৫রকশুবা থাংজম বিরচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিয়ল ৱিন্নর্স কপ ২০২১-২২গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ১১ ষ্টারনা ঐচ ৱাই সীবু পাঞ্জল ৩-১দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু ১১ ষ্টারগী জর্সি নম্বর ১০ ৱাই কিশোননা ১৫শুবা মিনটতা চনখিবনি। মদুগী মখা তারকপা অনীশুবা পাঞ্জল অদুসু ১১ ষ্টারগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৯ এন সান্তানুনা চল্লগা ঐচ ৱাই সীবু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি। পাঞ্জল ২ মাংজিল থাবা ঙল্লবা ১১ ষ্টারগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা ৱাই কিশোননা পাঞ্জল ১গা হাপচিল্লগা ৩-০দা হেনখি। অনীশুবা হাফতা ঐচ ৱাই সীগী মায়কৈদগী পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু জর্সি নম্বর ৩ টি ঐচ ৱার্খননা পাঞ্জল চল্লগা মেটচ অদু মখোয় ১-৩দা মায়থীখি।

## প্যেরিং ওন্নখিবা

ধাকাদা পাঙথোকপা এসিয়ন মেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কীগী সেমীফাইনেলদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগা শান্নগনি হায়বা অদু জপানগা থেংনগনি হায়গদবনি। পোইন্ট টেবল থেংখিবনা অশোয়বা লৈখিবনি। -সব-এদিটর

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 324

Szapiro, Gedali - Gniot, Tadeusz
POL-ch Wroclaw (8), 1955

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Ne2 a6 | 3.g3 Nc6 | 4.Bg2 g6 |
| 5.O-O Bg7 | 6.c3 e5 | 7.d3 Nge7 | 8.Be3 d6 |
| 9.Nd2 Be6 | 10.Nf3 f6 | 11.d4 cxd4 | 12.cxd4 Bf7 |
| 13.d5 Na5 | 14.Nd2 b5 | 15.b4 Nb7 | 16.a4 O-O |
| 17.axb5 axb5 | 18.Nc3 Qd7 | 19.Qe2 Rxa1 | 20.Rxa1 Be8 |
| 21.Bf1 f5 | 22.f3 f4 | 23.Bf2 fxg3 | 24.hxg3 Bh6 |
| 25.Be3 Bxe3+ | 26.Qxe3 Nc8 | 27.Nxb5 Nd8 | 28.Rc1 Qb7 |
| 29.Na3 Na7 | 30.Qc3 Rf7 | 31.Kg2 Bb5 | 32.Bxb5 Nxb5 |
| 33.Nxb5 Qxb5 | 34.Qc4 Qb6 | 35.Nb3 Nb7 | 36.Rc3 Kg7 |
| 37.Nc1 h5 | 38.Nd3 g5 | 39.Ne1 h4 | 40.Nc2 h3+ |
| 41.Kxh3 Qg1 | 42.Qc8... | | |

**QUESTION :**
**Black to Win**

**Puzzle 323 Ans. :**
22. Re1 Qxf3+ The black queen deflects White's pawn away from protecting the square h3. Opening the line from h3 to f1.
23. gxf3 Bh3# Boden's mate
22. ...Qxf3+ 23. gxf3 Bh3#
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com